# গোল্ড মেদলগী মঙলানগা লোয়ননা পেরিস ওলিম্পিক ২০২৪ ফাওবদি শান্নবগী পান্দম থম্লি : সুশিলা পুখ্রম্বম

**শান্নবুংগী পাউদম-৫৭**
**ময়াংলম্বম জেমচন্দ্র**

মালেমদা লৈবাক অসিবু হেন্না মশক তাকপা ঙম্নবা গোল্ড মেদলগী মঙলানগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা পেরিস ওলিম্পিক ২০২৪ ফাওবদি শান্নবগী পান্দম থম্লি হায়না সিনিয়র হোক্কী প্লেয়র ওলিম্পিয়ন সুশিলা চনু পুখ্রম্বমনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবী থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদগী হৌজিক-হৌজিক্কা সেন্ট্রেল রেলৱেজ মুম্বাইদা ও এস দি (ওফিসর ওন স্পেসল দ্যুটি) ওইনা লৈরিবী সুশিলাগা পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবা অমদা ফোঙদোক্লদুনা হৌখিবা টোকিও ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমনা ৪শুবা পোজিসন তাহৌরবসু টিমগী পর্ফোর্মেন্সপু শকখঙবীদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরগী পোষ্ট ওফর তৌরবসু লৌজখিদ্রে। হৌজিক্তি শান্নরিবনা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ফেসিলিটিশিং য়েংলগা ষ্টেট অসিদা লৈবদগী রেলৱেজতা লৈবনা হেন্না খূদোংচাবা ফংগনি।

ষ্টেট অসিদা লৈরগা শান্নবা তারবদি কেম্পতা লৈরুরগা কেম্প লোইশিল্লকপদা মণিপুরদা অমুক থোক্লক্তবা য়ারোই। থোক্লক্লগা প্রেক্টিস তৌফম মফম লৈতে।

হৌজিক্কী ওইনা পেরিস ওলিম্পিককী শেম শাবদি হৌদ্রি অদুবু লাক্কদৌরিবা সেপ্টেম্বর ৪দগী বেঙ্গলোরদা ফিটনেসকী ট্রেনিং কেম্প অমদি ২০২৩গী সেপ্টেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসকী প্রিপরেসন ওইনদি হৌরগনি।


সুশিলাগা লোয়ননা অপোকপা পি শ্যামসুন্দর অমদি অপোকপী পি লাতা

এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংলদি দাইরেক্ট ওলিম্পিক ক্কালিফাই ওইবা মরম্না এসিয়ন গেমস অসি মাংদা তারিবা অচৌবা ইভেন্ট অমদি ওইরি। করিগুম্বা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড ফংহৌদ্রবদি ক্কালিফায়িং রাউন্দগী শেম শাগদবনি। অদুবু ক্কালিফায়িং রাউন্দগী টিমশিং লাউথোকপা লৈত্রিবনিনা হায়বদা খরদি ঙনমল্লি।

> ‘‘লৈঙাক্লা শান্নরোয়শিংগী য়েংলগা অথুবদা স্পোর্টস পোলিসি শেম্বা মথৌ তারি’’

গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল গেমসতা ষ্টেটকী ওইনা ক্কালিফাই ওইদবনা বেঙ্গলোরগী কেম্প অসিগা ননশিন্নদ্রবদি মধ্য প্রদেশ ষ্টেট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবগী থৌরাংসু লৈরি।

বর্মিংহম কমনৱেল্থ গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকপগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা টিমগী ওইনা পেনাল্টি কোর্নরবু গোল ওন্থোকপা ঙমদবা অসিনা অশোনবা অমা ওইখি। হান্নদি পেনাল্টি কোর্নর এটেকশিং য়ারম্বনি অদুবু ওপোনেন্ট টিমশিংগীসু দিফেন্সতা হেন্না ইম্প্রুভ ওইরকপনা প্লেদা হেন্না লুশিল্লকপা অমা ওইখি।

সেমীফাইনেলদা অষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা মেটচতা ১-১ দ্রো ওইরবা মতুং পেনাল্টি শুটআউটতা টেক্নিকেলগী ওইবা অশোয়বা খরা য়াওখিবা অদুনা টিমদা হেন্না প্রেসর লাকপা অমদি লকসু লৈখিদবনা ফাইনেল চঙবা ঙমহৌখিদবনি। গেমস অসিগী ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা অসিদা টিমদা অচৌবা পারা অমদি তম্বীখি।



ন্যু জিলেন্দনা মেটচ লোইরমদাই সেকেন্দ ১৮ ৱাৎলিঙৈ গোলকিপর য়াওনা শান্নরোয় লোইনা শান্নরগা পেনাল্টি কোর্নর ফংখিবা অদুগা অমুক পেনাল্টি ষ্ট্রোক ফংখিবা অসিনা টিমগী ওইনা য়াম্না তমজনিংঙাই ওইখি।

হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিং হেন্না ফগৎনবা অমদি তুংদা ওলিম্পিয়ন মশীং হেন্না থোক্লক্লবগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা হৌরক্লিবা অঙাংশিংনা কোচনা তাকপী-তম্বীরিবশিং দিসিপ্লিন লৈনা নীংথিনা তমশিলহৌবা অমদি ওপোনেন্ট টিমবু করম্না মায়থীবা পীগনি কন্না হোৎনবা মথৌ তাই। তাকপী-তম্বীরিবা কোচশিংনসু অনৌবা স্কিল / টেক্নিক অমদি মালেমগী ওইনা করম্বা সিষ্টমদা শান্নরি হায়বা নীংথিনা য়েংশিনবীরগা অঙাংশিংদা তাকপীবদা স্কিল অদুম হেনগৎলক্কনি খল্লি।

লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর অমদি স্পোর্ট মিনিষ্টরনসু অথুবদা ষ্টেট অসিগী ওইবা স্পোর্টস পোলিসি অমা শেম্বীবা মথৌ তাগনি। ষ্টেট অসিদা মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ফেসিলিটিশিং লৈতবনা শান্নরোয়শিংনা মপানগী ষ্টেটকী একাদেমিশিংদা লৈরগা কন্না হোৎনরগা ফাওরকপনা অয়াম্বা ঙাক্তনি। মসিদা করম্না স্পোর্টসকী পাৱর হাউসনি হায়গনি।

ষ্টেট অসিগী ওইনদি ষ্টেট এৱার্দ হায়বা অমা লৈতে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগীদি থম্নরি। হরয়ানাগী ভিম এৱার্দ, য়ু পিগী লক্ষ্মীবাই এৱার্দ, মিজোরামগী ফাওবা ষ্টেট এৱার্দ লৈরি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী ওইনা ষ্টেট এৱার্দ খক নৎতনা লাইফটাইম এচিভমেন্ট ফাওবা পীরি।

হৌজিক ষ্টেট অসিগী ভেটরান শান্নরোয়শিং, সব-জুনিয়র, জুনিয়র অয়াম্বা মশা-মশানা শেল পুথোক্লগা টুর্নামেন্টশিং শরুক য়ারি। মসি পূন্নমক লৈঙাক্লা অচঙবা শেল পুথোকপীরবা অমদি নীংথিনা স্পোর্টস পোলিসি শেম্বীরবদি অফবা শান্নরোয়শিং হেন্না পুথোকপা ঙমগনি থাজে ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুর ষ্টেট লীগ হৌদোকখ্রে

# য়ারখোক য়ুনাইটেদনা য়ং ফিজিক য়ুনিয়নবু অহৌবা মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমুকচম ইঙোচা মেমোরিএল ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২২-২৩ ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ৱাঙ্খৈগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎকী মেটচতা য়ারখোক য়ুনাইটেদ এফ সী উখ্রুলনা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা লম্বা মান্নবা শান্নদুনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী শান্নবা লোইরমদাই ব্লেসিং কৈশিংনা শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনটতা য়ারখোক য়ুনাইটেদ এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি সেমসননা য়ং ফিজিক য়ুনিয়নগী খুমন্থেম তাইবংঙানববু শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৯না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসি থাংমৈবন্দগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌদুনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী মপাবুংগী মমিংদা কৎচবা টুর্নামেন্টনি। হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা খুমুকচম ইঙোচাগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থাংমৈবন্দগী এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা থৌরম মপূ অদুগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লিগেল এদভাইজর এম দেবানন্দ অমদি অস্ফাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দি বি কোৱরনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি।

# দুরান্দ কপ : আর্মি রেদ, চেন্নাইন এফ সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন আর্মিনা শীন্দুনা চথরিবা ১৩১ শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা রেদ আর্মি ফুটবোল টিম অমদি চেন্নাইন এফ সী ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

রেদ আর্মিগী গোলশিং অদু লেথাওলেন খোংশাই অমদি লিতোন শিলনা শান্নবগী ৫৪ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। চেন্নাইন এফ সীগী গোলশিং অদুনা জুলিয়স ভিনসেন্ট দুকর অমদি এদৱিন ভন্সপোলনা শান্নবগী ৮৯ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেদ আর্মিগী মরু ওইবা গোল চনখিবা লিতোন রেফরি অদিত্য পুরকা য়াস্থানা গোল চনখ্রবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপদা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়র উৎপগী য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, কোলকাটাগী ভিৱাই বি কে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা রাজস্থান য়ুনাইটেদনা এ টি কে মোহনবগানবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। রাজস্থানগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বেক্টুর, লালরেমসংঙা অমদি গ্যামার নিকুমনা চনখি।

## এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# সী দি সী অমদি য়ু সী সী ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৬শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা সিটিজন দিভলপমেন্ট কম্মিটি (সী দি সী) সগোলবন্দ সলাম লৈকাইনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওবুরন ১৭০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখিবা সী দি সীনা উরিপোক ক্রিকেট ক্লব (য়ু সী সী) উরিপোক খাইদেম লৈকাইগা ফাইনেলদা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা কে আই ৱাই সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা সী দি সীনা অপীবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২২৯ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা কে আই ৱাই সীনা ওভর ১২.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ৫৯ লৌদুনা সগোলবন্দ টিমগী মখূৎতা রন ১৭০দা মায়থীহৌখিবনি।

মেটচ অসিদা সী দি সীগী ক্ষেত্রিময়ুম রোবর্টনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা আউট ওইদনা বোল ৪৫দা রন ৫৯ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ২ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

# কে ৱাই সী, আই এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা সঙ্গিতা মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে ৱাই সী খুরখুলনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালবু ৫-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দল্লিয়ু রোবর্টনা শান্নবগী অহানবা, ৩৯, ৫৩ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা গোল ৪ অমদি অবোইনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি। ৱাই দল্লিয়ু সীগী গোল অনী অদুনা এন বিকাশ অমদি টি ঐচ কিষননা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আই এফ সী লম্ফেলনা ৱাই এ সী য়াইস্কুলবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে। আই এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু অৰুংশিনা শান্নবগী ৬৪ অমদি ৭৬ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা লুংশুং অমদি এস সিরোনা শান্নবগী ২৭ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমদা অমমম্ চনখি।

# এস দল্লিয়ু ৱাই সী, এ এস এস এ দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): দি এফ এ থৌবালনা শীন্দুনা চথরিবা মেমচা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচ অমদা এস দল্লিয়ু ৱাই সী চরাংপাৎ অমদি এ এস এস এ সঙ্গাইয়ুম্ফম ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

চরাংপাৎকী গোলশিং অদুনা ৱাই মুনিশ অমদি কে য়ুরেম্বনা চনখি। সঙ্গাইয়ুম্ফমগী গোল অনী অদুনা এম দি ইমরান অমদি এম দি অন্সর অলিনা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দল্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিং অমদি ঈ এল ৱাই এস এ ফৌদেল ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

ৱাংজিংগী গোল অনী অদুনা মার্জি অমদি সনাথোইনা চনখি অদুগা ফৌদেলগী গোল অনী অদুনা কে ঐচ অনুশ অমদি দয়ালনা চনখিবনি।

# যোগসনা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা অহানবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ সেপ্টেম্বর ৮দা মচি ভিলেজকী মচি হায় স্কুলদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা কেটগোরি অহুম- সব জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সিনিয়র হায়না পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, নুমিৎ ১৫নিগী ওইবা ট্রেনিং কেম্প অমসু মচি হায় স্কুলদা ওগষ্ট ২২দগী সেপ্টেম্বর ৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# ভেটরান টি টি টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): স্রিনগরদা থা অসিগী ২৩দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৮শুবা নেসনল মাষ্টর টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা মীওই ১১না শাবা ষ্টেট ভেটরান টেবল টেন্নিস টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না মণিপুর ভেটরান টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ডা. ঐচ নিরঞ্জননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।


# এম আর এনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস): অসামগী গুৱাহাটিদা সেপ্টেম্বর ১০দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবগীদমক ওনলাইন এন্ট্রি তৌখ্রবা শুটরশিংনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতগী মথৌ তাবা পর্মিট লৌনবা মরী লৈনবা চে-চাংশিং মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি এল কুল্লবন্তদা সেপ্টেম্বর ৩ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

এপ্লাই তৌখিবা শুটরশিং এন আর এ আইগী রুল ১.৪ অমদি ১৭.৬কী মতুংইন্না এম ক্যু এস ফংবা ওইগদবনি হায়রি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 549



**FM Dejan Tasev (2272) - FM Roman Aukhatov (2281)**
**Titled Tuesday 11th Jan chess.com INT (6), 2022.01.11**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 Nf6 | 4.Bxc6 dxc6 |
| 5.d3 Bc5 | 6.Nbd2 Qe7 | 7.Nc4 Bd6 | 8.Ne3 O-O |
| 9.h4 Ng4 | 10.h5 h6 | 11.Nh4 Nxe3 | 12.Bxe3 Bc5 |
| 13.Qd2 Bxe3 | 14.fxe3 c5 | 15.O-O-O Be6 | 16.Kb1 a5 |
| 17.Rdf1 a4 | 18.Nf5 Qd7 | 19.Qc3 f6 | 20.Rh3 Kh7 |
| 21.Rg3 Rf7 | 22.Qxc5 a3 | 23.b3 Ra6 | 24.Qb4 b5 |
| 25.Qd2 Rc6 | 26.d4 Bxf5 | 27.Rxf5 exd4 | 28.exd4 Rd6 |
| 29.d5 Re7 | 30.Qf4 c6 | 31.Rd3 c5 | 32.e5 fxe5 |
| 33.Rxe5... | | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 548 Ans. :**

38. Rf7 Qh6 39. Rxb6 The white rook deflects Black's rook away from protecting the square c8. Rxb6
40. Qc8+ Re8 41. Qxe8+ Qf8 42. Qxf8#
Lawnmower mate
1-0

Resonance®
Educating for better tomorrow
ENROLL NOW
2nd BATCH
1 Year Regular Course for
NEET/JEE (Main+Advance)
Target-2023
Eligibility:
12th Passed & Appearing Students
COMMENCING FROM 1ST SEP. 2022
Office Hours -
10:00 am to 7:00 pm.
Nachom Edu Foundation
• 6 hours class daily
• Test series from Resonance Kota
• Classes from best faculties from Resonance Kota.
For more details
9402979552 / 8794961535
STUDY MATERIALS FROM RESONANCE KOTA RAJASTHAN
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
HL-B/7808/21

MTA MANGAL TRADING ACADEMY
COMPLETE STOCK TRADING COURSE
For Beginner
Join Next Batch
Mode : Online , Apps : Zoom HD
Fees:- Rs.2000/- only
Timing : 8.15am to 9.30am
Duration :- 15 Days
Starts From 29.08.2022
Never invest in a business you cannot understand
MANGAL TRADING ACADEMY
KAKWA LILANDO LAMPAK
IMPHAL - MANIPUR
Call or Whatsapp for More Information
+91-7005851073
HL-P/3689/17,18,20,21,23,25,27,28

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/2/8-28/9

5 to 10% DOWN PAYMENT FOR 2WHEELER, VAN & AUTO
LOAN AVAILABLE
EMPLOYMENT NEWS: Car Driver, Security, Mechanic&Gr-IV, Legal Advisor, Computer Operator, Chawkidar
OFFICE ASST. (KAKCHING, SAMUROU, NAMBOL, THOUBAL, MOIRANG,)
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU.
HL-B/7804/19/8-16/9(alt)

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START : 10th, 17th, 24th August 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN) Morning 5:30 to 8:00 am / Evening 4 to 7:20 pm
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI, KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE, HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7728/10/7-6/9(alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com